ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, এপ্রিল ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০১৫শুবা মশীং

# নুংশিৎতা অমোৎপা য়াওবা

## খুদোংথিবা থোকপা য়াবা ফীভম লাক্লিঁঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌসি

মীওইবনা মশা মউ ফনা লৈনবগীদমক ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিলহন্দবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। মালেমদা হৌজিক এইদ্‌স, মলেরিয়া অমসুং ট্যুবরক্যুলোসিসনা চহী খূদিংগী শিহনবা মী মশীংদগী এয়র পোল্যুসননা শিহনবা মীশীংনা য়াম্বা হেল্লি। চহী খূদিংগী এয়র পোল্যুসননা মীওই লাখ ৬৪ রোম শিহনবগী মনুংদা অঙাং লাখ ৬ লোম য়াওরি হায়না পান্নরি। চাউরাক্লা মীওই বিলিয়ন ২ অমসুং অঙাং মিলিয়ন ৩০০ রোম নুংশিৎ শেংদবা মফমদা লৈরি হায়না পল্লদুনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট অমনা হায়, নুংশিৎ মোৎপা মফমদা লৈবনা মীওই কয়া কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ, অজমা, কেন্সর অমসুং নিংশা হোনবগা মরী লৈনবা রেস্পিরেটরি দিজিজ মখল কয়ামরুমগী রিস্ক মায়োক্লহল্লে। মালেমদা হৌজিক দাইবেটিস, ওটিজম অমসুং আই ক্যু নেম্বনচিংবা খূদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্লিবসিসু এয়র পোল্যুসননা থোকহল্লকপনি। নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপশিংগী মনুংদা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম ১০ অমসুং পি এম ২.৫) হায়বসিসু অমনি। উফুল, মৈখু অমসুং মহীনা পুল্লগা পি এম ওইরকই। অর্বান এরিয়াশিংদদি পাৱর প্লান্ট, গাড়ী অমসুং ইন্দষ্ট্রিদগী থাদোরকপা মৈখূনা পি এম থোকহল্লকপনি। দাইয়মিটরদা মাইক্রোন ১০ য়ৌদবা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম ১০)না নেজেল অমসুং অপ্পর রেস্পিরেটরি ট্রেক্টতা খূদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকই। দাইয়মিটরদা মোইক্রোন ২.৫ য়ৌদবা য়াম্না কূপ্পা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম ২.৫) অমসুং মসিদগী হেন্না কূপ্পা অল্ট্রা ফাইন পার্টিকলশিংনা লংসতা চঙখ্রগা হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক, অজমা, ব্রোঙ্কাইটিস অমসুং কেন্সর ওইহল্লক্তুনা মীওই কয়া মনুং মতম চাদনা শিহল্লি। লোয়ননা চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী ব্রেন মপূং ফানা শেমগৎপদা অপনবা থোকহল্লি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। পার্টিক্যুলেট মেটরদা য়াওবা খ্বাইদগী খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মচলদি ব্লেক কার্বোননি। ব্লেক কার্বোনদা মতম শাংনা এক্সপোজ তৌবা মীওইশিং হায়পরটেন্সন, অজমা, ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি), ব্রোঙ্কাইটিস অমসুং কেন্সর মখল কয়ামরুমগী রিস্ক মায়োক্লহনবগা লোয়ননা হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোক তৌদুনা শিহনবা য়াই।

সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ড (সী পি সী বি)না খঙহল্লকপগী মতুংইন্না মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ড (এম পি সী বি)না পায়খৎপা কন্টিন্যুয়স এম্বিয়ন্ট এয়র ক্বালিটি মোনিটরিং প্রোজেক্টকী মখাদা নুমীৎ খূদিংগী ইম্ফাল সিটি মনুংদা পুং ২৪ চুপ্পা নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপশিং খঙদোক্লবা থৌরাং তৌরি। এম পি সী বিনা পায়খৎলকপা তোঙান-তোঙানবা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা পুং ২৪ চুপ্পা নুংশিৎকী ফীভম য়েংশিল্লগা মীওইবগী হকচাংদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া য়াম্না য়াওগে হায়বদু দিজিটেল দিসপ্লে তৌদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবসু হোৎনরি। নেসনল এয়র ক্বালিটি মোনিটরিং প্রোগ্রামগী মখাদসু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মোন্যুএল এয়র মোনিটরিং ষ্টেসন ১২ হাংননবা অয়াবসু পীরকখ্রে। হৌখিবা এপ্রিল ৭তা এম পি সী বিগী টিম অমনা মী খ্বাইদগী হেন্না তীনবা অমদি ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াসু ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তেরা উরক, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শওম্বুং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা রেস্পিরেবল দষ্ট সেম্পলর শীজিন্নদুনা নুংশিৎতা অমোৎপা য়াওবগী চাং ওল্লুবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোইদনা নুংশিৎতা অমোৎপা য়াওবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংলমখিবা থেংনখ্রে। নুংশিৎতা অমোৎপা য়াওবগী চাং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম লাক্লিঁঙৈদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎতুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌসি।


### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?
৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?
৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চাওখৎতুনা লৈরম্বা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



অদু তৌখ্রে, অদা তৌখ্রে। অদুক য়ৌরে, অদু লৈরে, অদা লৈরে, অদুগী লাখ য়ৌরে, অদুনি-অদানি... সিদগী ইহেন হেন্দে। রেদিও, টেলিভিজন, পাউচে, মেগাজিনগী লমায়শিং পারুবদা... য়েংলুবদা, তারুবদা, থেৎলম্বা কয়া পারুবদা ঐখোয় লোইনা হরাউদনীংঙাই লৈতে।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী চাওখৎপা পূম্বা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মতেং নৎত্রবদি খঙবা ৱারে। ফনা য়াম্না ইন্দিয়ানা চাওখৎচবা তারফাওবদা চাওখৎলি হায়না লাউথোক্তবা তারবদি চাওখৎতবা তারগা তোকই। অদুনা ঐদি ইশামক্কী মীৎনা উবা চাওখৎপদগী মীনা হায়রকপদগী তাবা অমদি পাউচেদগী তাবা চাওখৎপনা ইশাদা য়ৈবা হেল্লে।

ঐগী খুঙ্গংগী লম্বীশিংগী মশাগী ওইবা লায়নাশিং অমদি মচি ৱাৎপা নীংবা থুংদবশিং পূম্নমক অসিনা ঐনা হকথেংনজবা অমদি ইশাদা উজবা শক্তমনি, মসিদি ইলেক্ট্রোনিক অমদি প্রিন্ট মীদিয়ানা উবা ঙম্বা নত্তে। মখোয়দি পাক্লা চাউনা উবনি। মায়থোঙগী ফজবা উবনি, লাপ্না য়েংলগা, ফজরিবা মীশক অদুগী থম্মোয়নুংগী অৱা-চৈনা অদুদি উবগী তাঞ্জা ফংদবা। ঐগী খুঙ্গং কুইরে নহান্না চাওখৎলিবা, খুঙ্গং অসিমক শুকলৈ লৈত্রিঙৈদগী হান্না চাওখৎখ্রে। শমদৎখ্রে। খুঙ্গং ময়াম চাওখৎখিবদা ঐগী খুঙ্গং য়াওনা চাওখৎখ্রে। শমদৎখ্রে। ঐ নুংঙাইরবা খুঙ্গং অমগী মপু ওইরে। হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউখ্রে। ঐগী খুঙ্গং চাওখৎপদা য়াওখ্রে।

মী অতৈগী খুঙ্গংশিং চাওখৎপা মতমদা ঐগী খুঙ্গং য়াওশিনখ্রে- অহ! কয়াদা লাইবক...। মখা তাজররোই শ্বাইদা লেপচরগে ৱাফমসি। মী ময়াম চাওখৎপগী নুংঙাই য়াইফবগী লাউথোকপদা ঐগীসু চাওখৎপা অমুক য়াওশিনখ্রে। পর কেপিটা ইনকম ৱাংখৎপদা ঐগীসু য়াওখ্রে। ঐ অদুম নুংঙাইবা চিংখ্রে। ঐ চাবা থকপা ৱাৎতবা মী চিংখ্রে। ষ্টেটিষ্টিক্সকী দেতাদা ঐ নুংঙাইবা চিংখ্রে। নোংমগী য়েরূম, শঙ্গোম, এপল, শা-ঙা চাবা মী অদুম চিংখ্রে। লাইরিক হৈবা চিংখ্রে। ঐ ঐনা যূম শাবা ঙমদ্রদনা উখা-ৱাখাদা মোজা ফুরিৎ শেগায়বা অমা লিৎলগা য়ারেকপা অমদি চাদা থক্তনা কংশি শিবা মী ওইরবসু যূম-কৈ ফ্রীদা শাবীরবা, লেম্না চেঙ-চাক, গ্যাস পীবিরবা, লেম্না লাইরিক লাইশু তমহল্লবা মী অদুম চিংখ্রে। লাইবক ফবা মী হায়বদু অদুম ওইরে। হংগে অমুক অমুক্তি ঐ অসিবু করিগীনো অসুক য়াম্না লাইবক ফরিবা অসিবো?

চাকখুম য়ৌনা মাস মীদিয়ানা উনীংলক্তবা মাল্লি, মখোয়গী ইমুংসি চাক থোংলিমাল্লে হায়রগা তোকপগী ফীভমনি, ইমুংদা অমুক নুমিদাংৱাইরমদা ৱামৈগী মৈখু খরা কাবা উরগা। অদু তৌখ্রে, অদা তৌখ্রে, অদু পীখ্রে, অদু য়েনখ্রে, অদু শাখ্রে, অদু শঙ্গাখ্রে ... অসিদগী হেনবা ইতা তাদে। কনানা কনাদা করি পীরগা করি ফংলিবা, ফংখ্রিবা, কান্নখ্রিবা ... মখা তানা নৈনরুবা, উনরুবা মথৌ তাদ্রে। খরা লাউখ্রবা অদুম য়ারে। খরা তাখ্রবা অদুম য়ারে। মসি চাওখৎলকপগী খুদমনি। মসি হান্না ওইরমদে।

কদাইদনো চাওখৎলিববু? কদাইদনো নুংঙাইরিববু ? কদাইদনো অহোংবা লাক্লিববু? কৈদৌঙৈ চাওখৎলিনো? করম্বা মতমদা চাওখৎলিনো? কৈদৌঙৈ নুংঙাইরিনো? করমহায়না অসুক থুনা চাওখৎলিবনো? করম হায়না অসুক থুনা নুংঙাইরিবনো? কনাদা হংদৌরিনো? কদাইদা হংফম লৈবগে? কনানা খুম্মক্লদগে? হংলুবা মতমদা ফূগে হায়রক্লোইদ্রা? চৈ পায়দুনা ফূরগা তানগে হায়রক্লোইদ্রা?

স্কুল লম্পাক্তা নহান মীটিং অমা তৌই। মীটিং অদুদা নুপা অমা ৱা ঙাঙলম্মী। শক খরা তাখৎলপ ঙাঙই। ঙাঙথোরকপদা চাওখৎপগী ৱা ঙাঙই। ৱা চাউনা চাউনা ঙাঙই। লম্বী থোং চাওখৎলে/ফগৎলে/অহোংবা য়াম্না লৈরে হায়বিরল্লে। মীয়ামদা পীরিবা খুদোংচাবা লোইনা হায়বিরল্লে। মীয়াম্না পঙবদগী খুদোংচাবা লৌবা হৈতবা ওইরল্লে। নুপা অদু ৱা ঙাঙবদা ট্রেনিং ফংলবা নুপা অমা ওইবা তাই। শক তাখৎলপ ঙাঙজবা তারবসু ৱাঙাঙবু মী শুমহৎকে শুমহৎকে তৌই। মানা ঙাঙবা ৱা তারমদবা তারবদি ঐখোয় অসি চাওখৎলবা খুঙ্গং অমদা লৈরবনি হায়বা অসি খঙলমদবা য়াই। খঙলল্লোই।

ঐ অঙকপা অমগা লোয়ননা ঙকই। ঐ চাওখৎপা খুঙ্গং অমদা অসুক কুইনা লৈরম্বদা পূমঙক ঙকই। অসুক লাইবক ফবা মী কনা লৈরমগনি? ঐনদি মতম কয়া ঐ চাওখৎতবা খুঙ্গং অমদা লৈবা মীনি হায়না চীন্তা তৌ তৌদুনা লৈজরম্বনি, হৌজিক্তি ঐ মদুগী অৱাবা অদু অমুক হন্না লৈররোই। ঐ নুংঙাইরবা খুঙ্গং অমগী মপুনি।●

# নোংগী ঈশিং তুংশিনবা য়াত্রা

**নবকুমার ওইনা**

নোংথক্তগী নোং চিফেৎ-চিফেৎ তারক্লিবসিবু ঐখোয়গী ইপা-ইপু নোঙ্গাখ্রবশিংদুনা মচা-মশুশিংগী খল্লগা থাদরক্লিব্রা, খরা হেন্না মরাং কায়না তাহল্লক্লবা ৱানোম্বা য়ারোইদ্রা? মাইবা-মাইবীদা হংলদি খঙবসু য়াই, নোং লাওবগীদি মখোয়না খঙলমগনি। মদুগীসু চোঙগদৌবা মীদুনা মপুক শেংদ্রবদি য়াদ্রিবনি হায়গনিনে, পি ঐচ ঈ দিগী মী য়াওহনবা য়াবা নত্তেনে। মখোয় য়াওই হায়বা হেক খঙখিবগা নোং চিফেত্তং তারম্লগা তোকখিগদৌরিবনি। থাজবগী ৱানি, লাউ খোংলগা নোং তারকপা হৌনদে। ঙায়বগী অৱাবদু অচা-অথক লাংলগা ঙায়রবদি অৱাবদু খরা কোকইদনা।

"নোং-ও চুথরো, লাংজিং মতোন থুমহৎলো, পাৎশোই নুরাবী তাওথরো..." হায়বসি মোরেদা, জিরিদা লাউবা য়াদে নোং তারক্লোই। অশাবা লমদা চানদ্রিবরা, অনেম্বা লমদা চানদ্রিবরা অমদি ওইগনি। নোং লাউবসি মফম পূম্নমক্কী পূন্না লাউবা য়াদে, মফম মফমগী তোঙান্না লাউবা তারকপদুনি। শুগ্নুদা নোং লাউরুদুনা কৈদৌনদৌরিবনো? নোংদি হেক তারকপগা অকুৎপা থিরগা চেন্থখিগনি। অৱাংবা মফমদা নোং লাউরবসু অকুৎপগী হেক্তা ওইখিনি। চীংথক্তা নোং লাউসি হায়বা য়ারক্তবসু য়াই।

চীংগী লমনি, চীংথক্তা তারিবা নোংশিংসি য়ামখ্রবা ঈশিংনি। হেক তারকপগা শুগ্নু তম্লল্লিবনি। লৈমতাক্তা শো পানবা থোং অমা ফাৎখিবদগী ঈশিং কোন্নদ্রে হায়বা য়াওরি। থোং ফাত্তোকপদগী নোং তারক্তবদি নত্তে, লমদম অসিদবু নোংথক্তগী নৎত্রবদি কদাইদগী ঈশিং ফংলিবগে? তুরেলদগী ঈশিং ফংই হায়নরম্বদুদি থায়নগী ৱানি, নোং তাবা মতমদা তূমদুনা লৈবগী ওইরমগনি। অঙাং অপিকপদি ঈশিং কদায়দা ফংই হায়বদা খুজাইদগী ফংই হায়রক্লরোই, বোটলদগী ফংই নৎত্রগা ফিল্টরদগী ফংই হায়রক্লনি। লিক্লাসু বোটলনি, লোক্তাকসু বোটলনি, সিলভরসু ঈশিংনি হায়রক্লবনি। ঈশিংগী শেল তিংগনি হায়বসি মঙদা ফাওবা মঙলম্বা নত্তে।

হিংবদা ঈশিং চঙই হায়বসি লাল্লি, ঈশিং লৈরম্বদগী অহিংবা লৈরকপনি হায়বসি চুম্না তাক্কদৌবদা লোৎশিল্লিব্রা খঙনদ্রিবরা, ঈশিংনা পুন্সিনি হায়বসু য়াওনরি। হিংলিবসি ঈশিংগী মনুংদনি। ঙানা ঈশিং মহিদা, শানা ঈশিং মনিলদা, মপংদদি পংথবা তাবা, হিংলিবসি ঈশিংদনি, লাইজ কৌই।ঈ অশিবা য়াওবদু ঈশিং কৌই, য়াওদ্রিবদু নোং কৌই। মালেম লৈপুংসি ঈশিং মনুংদা লৈবনি। অহুম থোকপগী অনীনা মহি ওইনা কুপশিনবা, শরুক অমনা ঈশিং মনিলনা কুপশিল্লিবনি। মনিলনা কুপশিল্লিবা মফমশিংদা শাশিংনা ঈশিং মহি পান্নকপগী ৱাদুনি ঈশিংগী ৱাথোক হায়নরক্লিবসি। মীওইবদি থৌওইনা খৎনরক্লবনি, লান তৌনরক্লবনি, শেল তিংনা লৈনরক্লবনি। মদুসু মশানা থোকহঞ্জবনি, অমনা খঙবা অমনা খঙনদবনি, মখোয় মশেল য়েৎনরগা ঈশিংদা তায়নবনি। ঈশিংনা করিসু তৌদে, তেফম থোকপদু তৌবতনি। মীওইবনা অপাম্বদু ঈশিংদা তৌশিনবনি, ঈশিংনা য়াবীরিবনি, ঈশিংনা অপাম্বা তৌরকপা করিসু লৈতে। ঈশিংনা থৱায় য়োকপীবতনি, ওনখৎতুনা ঈশিং য়োকপীবা হায়গৎলকপনি। য়োকপীবদি থৌজালগী ৱাখল য়াওই, শেন্নববু য়োকপীবা হায়বা য়াদবসু লৈগনি। ঈশিংদি শেন্নবা চঙই, তুংশিনবা য়াগনি, লোকপা য়াগনি হায়না লোক্তা লোক্লগা লৈরম্বদগী শীজিন্নরক্লবনি, তুংবদি কোম, কোমজাও, পাৎ অচৌবা অমসুং মচাশিংদা তুংশিল্লগা লৈরম্বনি। ঙসিদি পাৎ কয়া মমিংতা ঙাইরে। খুদম ওইনা কৈশাম্পাৎ, পোরোম্পাৎ হায়বসি বিল্ডিং মপাক-মপাক শাবসি ওইনা খঙনরক্লে। থৌবাল অমসুং নম্বোলগী পাৎশিং লৌ উনবা অমসুং মরন্নাই ফার্ম তৌশিনবনা মাঙশিল্লক্লে। নোং তাবগী ঈশিংমা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা ঈশিং চাওই হায়রক্লে। মফম কদায়দা নোংগী ঈশিং তুংশিনগদৌরি। চীং মথক্তা নোংগী ঈশিং তুংফম লৈশিল্লক্তরে, নোং তারকপগা পুং খরগী মতুংদা লোক্তাক য়ৌরে, ইথায় বরাজদা থিংজিল্লে, লোক্তাক্তি ঈশিং চাওরে, ৱা থোক্লরে, লৌ কয়া ঈশিংনা থুমজিন্দুনা শিরে। নোংগী ঈশিং তুংশিনফমসি লোক্তাক নত্তবা মফম লৈরক্তরে।

নোং তাদ্রবদি চীংদা উ-ৱা হৌদবগীনি হায়নরে। নোং তারক্লগনা শীজিন্নবা নংদনা শুগ্নু য়ৌখ্রে, লৈমতাক্তা তাবা খরনা ইলেক্ট্রিক পুথোক্লগা ঐখোয়না অমুক শেল তিংনা লৈরি। ঈশিং অদুদি ঐখোয়গী যূমথক্তগী চেন্থখিবসু য়াওই। যূমলক্তা, খুল্লক্তা কোম লৈশিল্লক্তরে, নোংগী ঈশিংনা কদায়দা য়ারেকপা নংগদৌরিবগে? ফম্নায়বশিংনা নোংগী ঈশিং য়োকপা হায়রিবসিবু নঙ্গলদা পোগদৌরিব্রা। যূমথক্কী টেঙ্কি অমনা নুমিৎ কয়ানি চৎকদৌরি, থা কয়া নোং তাগদৌরি। রোকোর্দতি পংতৌদা তৌবা কোমদি (পুখ্রি) লৈশিল্লক্তবা হায়বসিদা লোক্তাকসু লৈশিল্লক্তবা মাল্লকপদুনি। যূমথক্তা পুখ্রি তৌবা তারক্লিব্রা, লৈঙাক্কী শেল লোইথোকপদি য়াগনি, ঈশিং তুংবদি য়ারোইদৌরিবনি। যূম তেকপরা, ইমুংদা ঈশিং চাউব্রা, মী ইরাক্লব্রা অমদি শোয়দ্রবনি। লুনা খল্লগা পঙলুদা লুবনি।

ইরায় লায়বা ৱানি, উমংগা নোংগদি মরী লৈনরম্বা য়াই। উমংগা তাইবঙ শেম্বা মপুগদি মরী লৈনদে, কুমসি উমং ময়াম মৈ চাক্ল-চাক্লগা চহী তরাগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈংবা চহী ওইরিসিদি। ঈশিং মনাক্তসু য়াম্না শাবা লৈরিসিমঙায়। শাসনু-ঈংসনু ঈশিংগা মরী লৈনদে, ঈশিং ৱাৎত্রগা য়ারে। ইরায় লায়বা ৱারেপ লৌবদি ঙমজদবগী ৱাদুনি। শুগ্নুগী নুংথোঙ থিংজিল্লো, ৱাঙুদা থিংজিল্লো, ইথায়দা থিংজিল্লো লোক্তাক থিংজিল্লো, হিয়াংথাংদা থিংজিল্লো, নম্বোলদা থিংজিল্লো কদাইদগী ঈশিং ৱাৎলদগে? কৈদৌবগী ঈশিং চাওগদৌরিবা, গাড়ী লৈত্রিঙৈদা চীংখাদা যূম শাজিল্লুবনি, ঈশিংদগী গাড়ীনা হেন্না হোঙলবসিদদি চীংথক্তা যূম শানরোনা। মদুফাও ৱারেপ লৌবা ঙমজদ্রগা করিগী ঈশিংদা তায়নবা। ঈশিং তুংশিনফমদা নয়ূম শাজিল্লগা ঈশিং চাউরে হায়বা য়াব্রা? চফুদা ঙা য়োকপগুম্না ঈশিং য়োকপা য়াবা নত্তে, মচা পোক্লক্লোই, অকুৎপদা তুংহল্লগতা ঈশিং লৈগদৌবনি, চীংদসু অকুৎপা মফম ময়াম লৈরিবনি, শেন্বসু য়াবনি। মরম চানা শেন্নবতদা তুংজরদৌবা ঈশিংবু, অওৎ -অপা শাবা খরনা পংঙাঙদা ঙাঙবসি অপঙবা ঐখোয়দি তানীংদে। ৱারেপ লৌবসু ঙল্লোইদবনিনা ৱা খন্নবসু য়াওনদ্রিবনি। মী লৈরবদি ঈশিং লৈগনি, মীদা মী হায়বদু য়াওনদ্রবদি ঈশিংদি লৈররোই, লৈকংলা ওইরদৌবনি।? ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মার্সতা খোঙদাখ্রবা নাসাগী পর্সিভরেন্স রোভর

### ইন্দিয়া মচা নুপী সাইন্টিষ্ট ডা. স্বাতী মোহন্না ওপরেসন লিদর ওইখি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা কুমজা ২০২০গী জুলাই থাদা লোঞ্চ তৌখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী স্পেস এজেন্সী নাসা (নেসনল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এজেন্সী) গী পর্সিভরেন্স রোভর মার্স গ্রহদা তেক্তা-কায়দনা খোঙদাখ্রে। সাইন্টিষ্টশিংগী হোৎনজমলনা মায় পাকখিবা মিসন অসিদা ইন্দিয়ান অমেরিকান সাইন্টিষ্ট ডা. স্বাতী মোহনসু নেভিগেসন, গাইদেন্স এন্দ কন্ট্রোলস ওপরেসনগী লিদর ওইনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনখি। মহাক্কী হৈশিংনা তৌবা থবক খূৎতৌনা লৈবাক অসিগী চাওথোকফম ওইরি।

পর্সিভরেন্স রোভরনা হৌখিবা তাং ১৯গী অঙনবা মতমদা মার্স গ্রহগী অৱাং থংবা ইক্কেদরদা লৈবা ইসিদিস প্লানিসিয়াগী নোংচুপ চিদাইদা লৈবা Jezero Crater দা য়াম্না লায়না লেন্দিং তৌখিবদু হেক খঙবগা ডা. স্বাতী মোহন্না মিসন কন্ট্রোলদা টসদাউন কনফর্ম তৌরে হায়না লাউথোকখি। মিসন কন্ট্রোলদা থবক তৌদুনা লৈবা টিম মেম্বরশিং হরাওবনা লোইখি। মখোয় মশেল নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখি। মমাঙদসু ডা. স্বাতী মোহন কাশিনি স্পেস মিসন সেটর্নদসু থবক তৌখ্রে। নাসাদা মহাক্কী মফম চাউনা কল্লে।

মশাগী চহী অমরোম শুরকপদগী অমেরিকাদা লৈখ্রবা ডা. স্বাতী মোহন বেঙ্গলুরু, কর্ণাটকাদা মহাক্কী পোক্লফমনি। Cornell University দা বেচলর ওফ সাইন্স দিগ্রী মেকানিকেল এন্দ এরোস্পেস এঞ্জিনিয়ারিং তম্বা লোইশিল্লগা এরোনোটিক্স, এষ্ট্রোনোটিক্সতা মাষ্টরস দিগ্রীগী পি ঐচ দিনা Massachusetts Institute of Technology দা লোইশিনখি। অঙাং ওইরিঙৈদা সাইন্স ফিক্সন ষ্টার ত্রেক য়েংলুবদগী স্পেস সাইন্সকী লম্‌দা পূক্নিং থৌগৎলকখিবনা ঙসিদি নাসাদা মহাক থবক তৌরি।

মার্সকী জেজেরো ক্রেটরদা লৈখ্রবা স্পেসক্রাফ্‌ট পর্সিভরেন্স অসি কারমুক চাউই। কিলোগ্রাম ১,০২৬ লূম্মী। রোভর অসিনা মার্সকী জেজেরে ক্রেটরদা থৱায় পানবা জীবশিং লৈরম্বা থিজিনগনি অমসুং লৈবাক লৈহাও, নূং, লৈঙোই অমদি মফমদুগী ঈ-পাউশিং খোমজিল্লগা পুরক্তুনা বৈজ্ঞানিকশিংনা রিসর্চ তৌগনি। মিসন'সিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমদি এস্ট্রোবাইওলোজিদা থিজিনবনি। মসিদা নাসা অমসুং য়ুরোপিয়ান স্পেস এজেন্সি পূন্না থিজিনবগী থবক তৌমিন্নগনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

অমেরিকাদদি স্পেস সাইন্স অসি সাহিত্যদসু মমি তারি। অমেরিকাগী উপন্যাসকার এন্দি ৱেয়র (এন্দ্রিয়ু টেলর) না মহাক্কী নোবেল **দ মার্সিয়ান** ইখি। নোবেল অদু সাইন্স ফিক্সনগী ফিল্ম ওইনা পুথোরকখি। মালেমগী মফম কয়াদা রিলিস তৌখি। বোক্স ওফিসতা য়ু এস দোলর ৬৩০.২ মিলিয়নগী শেনফমসু কাখি। অসুম্না সাইন্টিষ্টশিংনা থবক তৌরকপসিনা মীওইবনা তুংদা য়াম্না কান্নরক্লগনি। মখোয়গী মায় পাকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎচরি। মণিপুরগীসু ডা. স্বাতী মোহনগুম্বা থোরকপা ওইসনু।

*অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত, ফুবালা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।